# দিমোনেটাইজেসন : ভারত বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা থোইদোক্লা অকায়বা থোকহনবা ঙমখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ঙসি লৈবাক্কী মফম কয়াদা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা ভারত বন্দ তৌখ্রে।

কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস (টি এম সী) অমসুং আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)না ভারত বন্দদা সপোর্ট তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবসু পার্লিয়ামেন্টতা মখা তানা প্রোটেষ্ট তৌখিগনি অমসুং বি জে পিনা লূচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী দিমোনেটাইজেসন পোলিসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না লাউথোকখি।

কেরলা, ৱেষ্ট বেঙ্গ অমসুং ত্রিপুরা খক্তদা এম এল এ লৈরিবা লেফট ফ্রন্টনা ষ্টেট অহুম অসিদা পুং ১২গী ওইবা ভারত বন্দ কৌখি। অলাহবাদতা সমাজৱাদি পার্টিগী ৱার্করশিংনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইফিজি মৈ থাখিবগা লোয়ননা দিমোনেটাইজেসন পোলিসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখি।

বিহারদা সী পি আই (এম এল)গী ৱার্করশিংনা জেহনাবাদতা হাতিয়া-পত্না এক্সপ্রেস ট্রেন থিংখিবগা লোয়ননা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। পত্নাদা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা শেনয়েক অনী থিংখিবগী মায়োক্তা জন আক্রোস দিৱস রেল্লি পাঙথোকখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লেফট ফ্রন্টনা পুং ১২গী বন্দ কৌখিবা তারবসু মহৌশাগী পূন্সিদা থোইদোক্লা অকায়বা থোকহনবা ঙমখিদে। লম্বীদা মহৌশাগুম গাড়ী চেন্নখিবগা লোয়ননা কৈথেল অমদি দুকান অয়াম্বা থোঙ হাংনখি।

লেফট ফ্রন্টনা লৈঙাকপা ত্রিপুরা অমসুং কেরলাদদি বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখি। গভর্ণমেন্ট অমদি সেমি-গভর্ণমেন্ট, প্রাইভেট ওফিস, বেঙ্ক, মহৈলোয়শঙ, দুকান অমদি লল্লোন-ইতিক তৌফম পূম্নমক থোঙ লোনখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী গাড়ী নত্তনা লম্বীদা গাড়ী অমত্তা চেনখিদে। ত্রিপুরাদগী লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা চেনবা ট্রেন সার্বিস পূম্নমক লেপখি। চেন্নাইদা দি এম কেগী ৱার্করশিংনা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংদা মপুং ফানা শৌগৎখি।

অমরোমদা, বি জে পিগী ৱার্করশিংনা কোংগ্রেসকী জন আক্রোস দিৱসকী মায়োক্তা নাগপুরদা জন অভার দিৱস পাঙথোকখি অমসুং লম্বীদা থোরকপা মীওই খূদিংমক্তা অথুম-অহাও অমদি লৈ য়েন্থোকখি। জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)খক নত্তনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অমা রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লীদর ওইরিবা গুলাম নবি অজাদকী চেম্বরদা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিন্নবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি।

দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা চঙশিনগদবা খোঙজংগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরক্তা মোত মান্নদবা লৈখ্রবনি। তৃণমুল কোংগ্রেসকী লূচিংবী মমতা বেনর্জিনা ভারত বন্দদা শৌগৎপগী মহুৎ প্রসিদেন্টকা হকথেংননা উনদুনা ৱাকৎনবা ৱারেপ লৌখি। মমতাগী ফিরেপ অদুদা এ এ পি, নেসনল কনফরেন্স অমসুং শিব সেনানা শৌগৎখি।

এন দি এগী মরুওইবা মপাং অমা ওইরিবা শিব সেনানা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং য়ানিংবা তারবসু মীচম মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহনবগী মতাংদদি য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। উত্তর প্রদেশতসু ওপোজিসন পার্টিশিংনা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ভারত বন্দগী খোঙজং মপুং ফাবা ঙমখিদে। ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টিগী ৱার্করশিংনা অলাহবাদ অমদি কানপুরগী রেলৱে ট্রেকশিংদা ফমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রবসু মরুওইবা কৈথেল পূম্নমক থোঙ হাংখি।

অমরোমদা, ওপোজিসন পার্টিশিংনা ভারত বন্দ কৌখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক অসিদগী মতম পুম্বগী ওইনা শেঞ্জা থুমজা অমসুং ব্লেক মনি মরু ফংনা মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা বন্দ কৌদুনা অপনবা থোকহন্নবা হোৎনরে।



# প্রাইম মিনিষ্টরনা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা সিনিয়ার মিনিষ্টরশিং উনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী):

দিমনেটাইজেসনগী ৱাথোক্লা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম পাঙথোকপা য়াহন্দবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সিনিয়ার মিনিষ্টরশিং উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন্না দিমোনেটাইজেসনগী ৱাফম পুখৎলকপদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মমাঙদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা অমদা সমাজৱাদি পার্টিগী এম পি নরেশ অগরৱালনা হায়খি মদুদি, দিমোনেটাইজেসন পোলিসিগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিং অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি। নিতিশ কুমারগী জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)না হীরম অসিগী মতাংদা তোপ তোপ্পা ফিরেপ অমা লৌরে।

পার্লিয়ামেন্টতা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা মখা তানা চরাংনবা থোরকপদগী ইরাই নুমিত্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফম হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈথোকপা তাখি। লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা শেলগী অৱাৎপা মায়োক্লরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং মীপুম খূদিংমক, মরুওইনা নহারোলশিংবু দিজিটেল বেঙ্কিংদা মায় ওনশিন্নবা আপিল তৌখিবনি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা ঙসি শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফিরেপ্পু মপুং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনরুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্লা হায়খি, এন দি এ গভর্ণমেন্টনা ব্লেক মনি অমসুং শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি মপুং ফানা শৌগৎলি। শেনয়েক অনী চৎনহন্দনবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌখিবা ফিরেপ অদু পুৱারীদা মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

অহানবদা মীচম মীয়াম্না খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লরবসু মতুং তারকপা পূন্সিদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফিরেপ অসি মীপুম খূদিংমক্লা শোয়দনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্কনি।

মমাঙদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)কী লূচিংবা নিতিশ কুমার অমদি ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনাইকনা ব্লেক মনি, টেররিজম অমসুং শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি, লেফট ফ্রন্ট, বহুজন সমাজ পার্টি অমসুং দি এম কেনা দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম হেক হৌখিবগা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা চরাংনবা থোকপদগী নোংমা ফাওবা মপুং ফানা মীফম পাঙথোকপা ঙমখিদে। নবেম্বর ৮দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী মখা তানা চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা পোষ্ট ওফিস লাখ ১.৫৫ রোমদা লুপা ক্রোর ৩২,৬৩১ থমজিল্লকখ্রবনি। নবেম্বর ১০দগী নবেম্বর ২৪ ফাওবগী মনুংদা পোষ্ট ওফিসনা অরিবা শেনয়েক লুপা ক্রোর ৩,৬৮০ শিন্দোকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অরিবা শেনয়েক লাখ ৫৭৮ এক্সচেঞ্জ তৌখি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ৩,৬৮০নি। দিপোজিট তৌরকপগী মতাংদদি লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী শেনয়েক ক্রোর ৪৩.৪৮নি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ৩২,৬৩১নি।



## মহারাষ্ট্র ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লে

মুম্বাই, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকপা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লে। অর্বান লোকল বোদি ১৪৭কী মনুংদা বি জে পিনা ম্যুনিসিপাল চীফকী ফম ৩৯ ফংবা ঙমখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীখলগী ফল লাউথোরকপদা বি জে পিনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৩৯ পায়বা ঙমখি। কোংগ্রেস অমদি নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা অতৈ অতোপ্পা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল খরদসু বি জে পিনা মাঙজিন থাদুনা চৎলি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা নগর পঞ্চায়ট ১৭কী মীখলসু পাঙথোকখি। হৌজিক ফাওবদা বি জে পিগী মীরেপ ৪৫৫ মায় পাক্লে। পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা শিব সেনাগী ওইনদি মীরেপ ১৮৭ মায় পাকপা ঙল্লে।

এন সী পি অমসুং কোংগ্রেসকীনা মথংশিংনা সিট ২৩১ অমসুং ৩৩৩ ফংবা ঙল্লে। মমাঙগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ২৯৮, শিব সেনানা ২৬৪, কোংগ্রেসনা ৭৭১ অমসুং এন সী পিনা ৯১৬ ফংবা ঙমখিবনি।

বীদ দিষ্ট্রিক্টকী পার্লি ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ৱিমন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর পঙ্কাশ মুন্দেবু এন সী পিগী লূচিংবা ধনঞ্জয় মুন্দেনা মায়থিবা পীখি।

মহারাষ্ট্রগী দিষ্ট্রিক্ট ২৫দা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ১৪৭ অমসুং নগর পঞ্চায়ট ১৭তা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিবু মিনি এসেমব্লি ইলেক্সন ওইনা লৌনরি। চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিজপু মীয়াম্না কয়াম্মুক য়াম্না য়াবগে হায়বদু মীখল অসিদগী খঙবা ঙমগনি হায়না থাজনরি।

# পি এমনা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা খন্ননবা থৌরাং তৌরে : রাজনাথ

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী):

শেনয়েক অনী থিংখিবগী মতাংদা ওপোজিসন্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, সেন্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা দিবেট তৌনবা শেম-শারে। করিগুম্বা মথৌ তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙগনি।

জিরো অৱার মতমদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, ওপোজিসন্না করিগুম্বা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা দিবেট তৌবা পাম্লবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা মদুগীদমক শেম-শাদুনা লৈরি। কোংগ্রেসকী মালিক অর্জুন খার্গে, তৃণমুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বন্দোপধ্যাই অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী লূচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদব য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন লীদরশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা এদজোর্নমেন্ট মোসন পুখৎলকখিবনি। ৱাফম অসিদা ট্রেজরি বেঞ্চনা অয়াবা পীবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা থৌওংনা কাশ্মীরগী মিলিটেন্ট গ্রুপশিং অমসুং লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওংদা চাউনা অপনবা পীবা ঙল্লে হায়না রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী দিরেক্টর জেনরেল/ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল পুলিস ওর্গনাইজেসনগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগী ওইবা ৫১শুবা চহীগী মীফমদা ৱা ঙাঙবদা রাজনাথ সিংহনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নক্সলাইটকী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা নক্সলাইটশিংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী পান্থে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা অনৌবা শেনয়েক ওন্থোক্লবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা থেংনরে। গভর্ণমেন্টনা নক্সলাইটশিংবু অনৌবা শেনয়েক ওন্থোকপা ঙমহন্দনবা হোৎনগনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দি জি পি/আই জি পিশিংগী নুমিৎ ৩নিগী ওইবা মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা মহাক্লা হায়খি, তোঙান তোঙানবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা অরিবা শেনয়েক্তগী অনৌবা শেনয়েক ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা মতমদা পুলিস পার্সনেলশিংনা মতম চানা থিংনবা হোৎনগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেটকী পুলিস ওফিসলশিংনা থবক হেন্না ফজনা তৌবা ঙম্বা তান্নবা মথৌ তাই। মিলিটেন্টশিংগী থৌরাং মায় পাকহন্দনবগীদমক সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট ফোর্সেসকী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা ইন্টলিজেন্স ওফিসার অমগী ৱারোল পল্লদুনা ইকনমিক টাইমস পাউচেনা হায়খিবনি মদুদি, লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওইনা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা শেল থাদরকপগী চাং হন্থখ্রে। শেল থাদবগী চাং ৱাৎলবনিনা কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌরম্বা মীয়ামগী ঈহৌসু নেমথরক্লে। সিক্যুরিটি পার্সনেল তম্না নুঙ লংশিনবীনবা নহারোল অমত্তা লৈত্রে।

টেররিজমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমসুং মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপদা শেলগী মথৌ তাই। হায়রিবা শেনফম অদু অরানবা মওংদা তানশিনখিবা ব্লেক মনিনা শীজিন্নরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবনিনা শেল থাদরকপা লেপখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা কাশ্মীরদা হৌরম্বা মীয়ামগী ঈহৌ নেমথখিবনি হায়রি।

পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফমদি নবেম্বর ৮দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শেনয়েক অনী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা কাশ্মীর তম্পাক্তা নুমিৎ খূদিংগী নুঙ লংশিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লম্বা মীয়ামগী ঈহৌ নেমথখিবা অসিনি। অদুম ওইনমক বেঙ্কনা অনৌবা শেনয়েক পীবা হৌখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা বন্দিপোরাদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগা খুৎথোক্লবদা লৈখিদ্রবা টেররিষ্ট অনীদা অনৌবা ২০০০ চৎপী নোট কয়ামরুম য়াওরম্বা থেংনখি।



# নবজোত সিংহ সিধুগী লোয়নবী নবজোত কোর কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী):

ক্রিকেট শান্নরোয় ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা নবজোত সিংহ সিধুগী লোয়নবী নবজোত কোর সিধু কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে।

অথুবা মতমদা সিধুসু কোংগ্রেসতা য়াওরকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরদুনা নবজোত কোরনা হায়খি, ঐখোয় অনী হকচাং তোঙাল্লবসু থৱায়দি অমত্তনি। থৱায়না চৎপা মফমদা হকচাংসু শোয়দনা ইন্নরকপা হৌনশানি।

পঞ্জাব প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনা হায়খি, নবজোত কোরনা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লবনিনা অথুবা মতমদা সিধুসু পার্টি অসিদা শোয়দনা চঙলক্লগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মুম্বাইদা লৈরিবা সিধুগা ৱারী শানবা লৈত্রি। মহাক্লা দিল্লিদা লাকপা মতমদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানগনি হায়না কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী ইলেক্সন মাঙওইননা নবজোত কোর অমদি হান্নগী হোকি শান্নরোয় পরগত সিংহনা মমাঙ চয়োলদা কোংগ্রেসকী হায় কম্মান্দগা উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

OFFICE OF THE
ALL MANIPUR MUNICIPAL COUNCIL & NAGAR PANCHAYAT WELFARE COMMITTEE, MANIPUR

খঙহঞ্জবা

ঙরাং তাং ২৭/১১/২০১৬ ইংগী অয়ুপ পুং ১১ তাবা মতমদা Ema Hall Keishampat তা Lamsang গী Chairperson O. Modhumangol না preside তৌদুনা All Manipur Municipal Council & Nagar Panchayat Welfare Committee গী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা মোৎ অমত্তা ওইনা মখাগী ৱারেপশিং অসি লৌমিন্নখি। মদুদি হৌখিবা তাং ১২/১১/২০১৬ দা Assignment to Local Bodies 2016-17 গী ফন্দ মাহুদনা ৭০% ককহৌবগী য়ানিংদবগা লোয়ননা কক্লিবা ফন্দ হাপচীনবীনবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মদুগী পোজিটিব ওইবা সিগ্নেল ফংদবগীদমক, লাক্লিবা তাং ২/১২/২০১৬ ইং ফাওবগী মনুংদা কক্লিবা শেনফমশিং হাপচীনবদ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙথাংগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী কাউন্সিল্লর খুদিংমক কোংগ্রেসতগী রিজাইন তৌবা হায়না মোৎ অমত্তা ওইনা য়ানখি অমদি MAHUD কী Staff Rationalisation গী থবক হাপ্পদসু, ULB শিংনা Resolution গা লোয়ননা হাপচন্নবা ৱারেপ লৌখি। লোয়ন লোয়ননা MAHUD কী দিরেক্তরনা ULB শিংগা অফবা মরী থম্বীনবসু অপিল তৌবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি।

P. Ibocha Singh
President

HL-P/10736/29

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হাৎনবা হোৎনরম্বা অলকাইদাগী টেররিষ্ট ৩ ফারে

চেন্নাই, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী):

তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা চেন্নবনি হায়বা অলকাইদাগী মেম্বর অহুম নেসনল ইনবেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) অমসুং টামিল নাদু পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা ঙসি মদুরাই সিটিদগী ফারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, টামিল নাদুদগী ফারবা মীওই অহুম অদু মখা তাবা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক কর্নাতাকাগী মাইসোরদা পুখ্রে।

ফারবা মীওইশিং অদু মাইসোর, চিতুর, কোলম, নেলোর অমদি মলাপুরমনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থোকখিবা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওই ঙাক্তনি হায়রি।



পুলিসকী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ফারবা মীওইশিং অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি লৈবাক্কী মকোক থোংবা লূচিংবা কয়ামরুম হাৎনবা থৌরাং তৌরমই হায়বা খঙলে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মপান লৈবাক্কী এম্বেসিশিংদসু এটেক চথনবা হোৎনরমই হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি এম করিম, অশিফ সুলতান মহমদ অমসুং অবাস অলিনি হায়রি। মখোয়দগী পোক-খায়হন্নবা মচাক কয়ামরুম ফংবা ঙমখি। মীওই অহুম অসিনা খা থংবা টামিল নাদুদা অলকাইদাগী নেটৱার্ক অমা শেমগত্তুনা নহারোল কয়াবু টেররিষ্ট গ্রুপ অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনরমই হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এন আই এনা হকিম অমসুং দারুদ সুলাইমান কৌবা অলকাইদাগী ওপরেটিব অনী ফানবা হোৎনরি। এন আই এনা ইস্লামিক প্রিচর জাকির নাইক অমদি মহাক্ল া লূচিংবা ইস্লামিক রিসার্চ ফাউন্দেসনগা মরী লৈনবা একাউন্ট পূম্নমক থিংজিন্নবা বেঙ্ক খূদিংমক্তা খঙহনখিবগা মপা চান্নবা মীওই অহুম অসি ফাখিবনি। জাকির নাইকনা টেলিভিজনগী খুথাংদা মুস্লিম নহা কয়াবু টেররিজমদা খোঙ থাংজিন্নবা পাউজেল শন্দোকই হায়না মরাল শীবা লৈখ্রে। ধকাগী কেফেদা এটেক চথবদা য়াওখিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না জাকির নাইক্কী পাউতাক তারুবদগী টেররিজমদা খোঙ থাংজিনখিবনি হায়রি।

নবেম্বর ১৯দা এন আই এনা এন্তি টেররলোগী মখাদা জাকির নাইক অমদি আই আর এফকী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। লাইনিং লম্বী অমসুং ফুরুপ খেন্নবগী মতুং ইন্না মীওইবা মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা পাউজেল শেন্দোকই হায়বগীদমক কেস অদু লৌখৎখিবনি। জাকির নাইক অমদি আই আর এফকী ৱেবসাইটশিং থিংজিনবীনবা এন আই এনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল অমা থাবা লৈখ্রবনি।

# ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লোক সভাদা ইনকম টেক্স এমেন্দমেন্ট বিল পুখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী):

ওপোজিসন্না দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি লোক সভাদা ইনকম টেক্স এমেন্দমেন্ট বিল পুখৎখ্রে।

এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মতুং ইন্না লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেনফমদগী চাদা ৩০ টেক্স ওইনা লৌবগা লোয়ননা পেনাল্টি ওইনা চাদা ১০ অমগসু লৌগনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা কনাগুম্বনা টেক্স থীদনবা মশাগী ইনকম লোৎশিনবা য়াদনবগীদমক এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুখৎলকখিবনি। বিল অসি পাস তৌদুনা এক্ট ওনখ্রবা মতুংদদি কনাগুম্বনা লোৎশিন্দুনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী বেঙ্কতা থমজিল্লকপা মতমদা চাদা ৩০ টেক্স লৌগনি হায়রি। মদুগীসু মথক্তা হায়রিবা মীওই অদুনা কদাইদগী কমদৌনা শেনফম অদু তানবগে হায়বদু গভর্ণমেন্টতা ময়েক শেংনা ফোঙদোকপগী মথৌ তারগনি।

আই টি এমেন্দমেন্ট বিলগী মতুং ইন্না শেনয়েক চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা থমজিল্লকপা ফোঙদোক্তবা ইনকমগী চাদা ২৫ প্রধান মন্ত্রি গরিবি কলিয়ান দিপোজিট স্কিমদা থমজিনগদবনি। হায়রিবা স্কিম অদুদা থমজিনবা শেনফমগী শেন্দোই অমত্তা পীরোই। অদুবু চহী ৪গী মতুংদা হায়রিবা শেনফম অদু অমুক লৌথোকচবা য়াগনি হায়রি।

স্কিম অসিদগী লাকপা শেনফমশিং ইরিগেসন, হাউজিং, টোইলেট, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, প্রাইমারী এদ্যুকেসন, প্রাইমারী হেল্থ অমদি লাইবলিহুদনচিংবা প্রোজেক্টশিংদা শীজিন্নগনি হায়না বিল অদুগী ওবজেক্ট এন্দ রিজনগী ষ্টেটমেন্টদা পল্লি।

লাউথোক্তবা শেনফম দিমনিটাইজেসন মতুংদা দিপোজিট তৌরক্লবদি চাদা ৭৫ টেক্স লৌগনি। ইনকম টেক্স ওথোরিটিনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেল থেংনরবদি পেনাল্টি ওইনা অতোপ্পা চাদা ১০ অমগসু লৌগনি হায়রি।

মমাঙদা রিপোর্ট অমনা হায়খিবনি মদুদি, লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেনফমদগী চাদা ৫০ টেক্স ওইনা লৌবগা লোয়ননা চাদা ২৫না শেন্দোই য়াওদনা চহী ৪ দিপোজিট তৌহনগনি অমসুং লেমহৌবা চাদা ২৫ অদু শীজিন্নবা য়াহনগনি।

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE (Second Batches)
Morning & Evening Batch
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science, Social Science & Man)
Special features:
- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam.byExperts.
- Vision for toppers.
2nd Batches Revision Course Comencing from 8th Dec, 2016
CLASS X (Foundation Course, 2017-18)
Class Comencing from 15th Dec, 2016
Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal.
HL-B/3380/12-30Oct., 1-29Nov.,1-11 Dec (Alt)

লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৱককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3341/03/11-02/12